# হোকিগী গোলকিপর ওইবসিসু ঐহাক পাম্লকখিদে, ঐদি ফোরৱার্দ নৎত্রগা ফুল বেক শান্ননীংলকখি : খরিবম বিচু



খরিবম বিচু
(জুনিয়র ইন্টরনেসনল হোকি প্লেয়র)



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোকিদা মীৎয়েং অমা**

(হান্নগী মখা...)

হোকি শান্নবা হৌরকখিবগী মতাংদা খরিবম বিচনা অসুম্না ফোঙদোরকখি, ফুটবোল পামজরকপা অমা ওইনা ঐহাক হোকি শান্নগে হায়বা শুকখন খল্লক্তে। ষ্টিক পায়রগা শান্নবদু ঐঙোন দা হৈনগদবসু মান্দে। হোকি কমাইনা শান্নদোইনো খনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু, তাকয়েল সাইগী কোচ ওইনা লৈবী মেদাম সকুন্তলানা ঐবু হোকি ষ্টিক পায়দুনা শান্ননবা এদভাইস কয়া তৌবীরকখি। নঙনা হোষ্টেলসিদা লৈরিবসি হোকি শান্নরোয় ওইনা সেলেক্সন তৌরকখিবনি। ত্রেনিং সুম তৌরগা হৈরক্কদবনি। সাইগী টেলেন্ট হন্টতা খল্লিবশিং অসি ফজনা ত্রেনিং তৌরবা মতুংদা হৈরকখিবা ঙাক্তনি। তন্দে-মান্দে তৌগনু, নঙোন্দা স্পোর্টসকী কালিটি ফজনা লৈ। মদু তকখায়রবা মতুংদা শান্নবা শোয়দনা ঙক্কনি হায়দুনা তত্তনা পাউতাক পীবিরকখি।

মেদাম্নগা হায়বদগী ঐঙোন্দসু হোৎননীংবা খরদি ফাওরকখি। খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রোটর্ফ হোকি ফিল্ডদা ওজা চান্দি, ওজা রোমেসনা হোকি তোৎপী-খোৎপী তন্বীরকপদগী খরা খরা হৈরকখি। হোকি পায়দুনা য়ৈবা, থোম্বা, চেনবা খরা হৈরকপা অদুৱাইদা ঐবু ওজা চান্দিনা পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমি মণিপুর (ফাম) গী গোলকিপর শান্নহল্লসি হায়দুনা কোচ মশেল ৱারী শানরকখি। মাদি হাইটসু ফজৈ। অদুনা গোলকিপরদা শেম্বা য়াগনি। শান্নহল্লসি হায়দুনা লেপ্প রকখি। মহাক্নগা ফজনা থৱায় য়াওনা শান্নরকপদা, জুনিয়র ইন্দিয়া ফংবদসু ইরায় লায়না থোক্কনি হায়না ওজা ময়াম্নগা ঐগী মতাংদা ৱা খন্নরকপদু ঐদি কয়া কন্না খঙখিদে। মতমদুদদি ঐহাক ইন্দিয়া ফংবা হায়বসি করিনো খঙদে। মদু ফংলগা করি কান্নগদগে হায়বসু খঙবা নৎত্রি। মতমদুদা ঐনা খঙজবা হায়ববু কন্না শান্নরগা ৱিন্নর নৎত্রগা রন্নর্স-অপ তাবা ঙল্লবদি সার্টিফিকেটতু কান্নগনি। অচৌ অচৌবা চেম্পিয়নশিপ, টুর্নামেন্টশিংদগী ফংলকপা সার্টিফিকেটশিংদুদি থবক চঙবদসু কান্নগনি অদুখক্তনি। শান্নবদা খোঙ থাঙজিল্লক্লবনিনা থবক মচা অমত্তংদি ফংবা ঙম্নবা শান্নজগে হায়না খঞ্জরকখি। মদু নত্তবা অতৈদি ঐহাক থোইনা খল্লকখিদে।

কুমজা ২০১২দগী ঐহাক ফামদা য়াওদুনা ষ্টেট লেভেলগী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা হৌজরকখি। হৌরকপা মতমদদি ঐহাক ফুল বেক, ফোরৱার্দ শান্নজরকখি। অদুবু কুমজা ২০১৩দা রাঞ্চি দা তৌখিবা অন দর-১৪গী নেসনল স্কুল গেমসতদি ঐহাক গোলকিপর ওইনা চৎলকখি। মদুগী চৎপদু ওজা এন জি মোটিলালগা, ওজা প্রিয়োকুমারনা পুরগা চৎখি। অমরোমদা গোলকিপর ওইনা চৎপদু ঐঙোন্দা য়াম্নগা হৈনরকখিদে। অতৈ প্লেয়রশিংদি ষ্টিক অমখক্তংগা জর্নিগী ফিরোল খরখক্কা ইয়াং য়াঙনা চৎলি। অদুবু গোলকিপর ওইনা চৎপদি কিট অচৌবা অমা পুরগা চৎপনিনা চৎপা মতমদসু ৱাই য়াম্নগা চিল্লি। অদুনা শান্নবা চৎলমদাইগী ত্রায়ল পীবা মতমদা ঐনা ওজাশিংদা হেক হেক হায়, ওজা ঐহাক ফুল বেক নৎত্রগা ফোরৱার্দ প্লেয়র ওইনা সেলেক্সন তৌবীয়ু। ঐহাক ফজনা শান্নজগে। হোয়-হোয় আ য়ৌরগা খন্নসি হেক্তগা হায়বীরকখি।

ঐনা মরৈ হেক হেক তৌবগীরা হায়বদি খঙদ্রে, রাঞ্চি চৎপা মতমদুদা ওজা মোটিলালনা ঐবু মণিপুর টিমগী কেপ্তেন ওইহনবীরকখি। মথং মথং শান্নরকপনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ঐখোয় দেল্লিগী মখূৎতা পোই। কুমজা ২০১৩গী অন্দর-১৪ চৎপা মতমদুদা ঐখোয় থৱায় য়াওনা ফজনা শান্নখি। দেল্লি চৎপা মতমদা পুনখিবা মরুপ-মপাংশিং খুরাইদগী অনামীকা, লৈত্রামদগী পুস্প, লাইফম খুনৌদগী সরিতা ঐখোয় মরিসি য়ং য়ং শান্নবা মণিপুর টিমগী প্লেয়রশিং ওইখি। তল্লবসু তন্না ওজাশিংনা পুক্কিং থৌগৎপীবদগী মমৈদদি ঐহাক হোকিগী গোলকিপর ওইনা শান্নরকখি। তাকয়েল সাইদা লৈরিঙৈদা ওজা নিলকোমোলনসু গোলকিপরগী ত্রেনিং ফজনা পীবিরকখি। কুমজা ২০১৩দগীদি ঐহাক গোলকিপর খক্তদা শান্নহল্লকখি। ওজা পূম্নমক্কসু নঙদি গোলকিপর শান্নগদবা প্লেয়রনি। অতৈ পোজিসন শান্নবদা ইন্দিয়া ফংবা ৱাগনি। গোলকিপর ওইনা শানৌ হায়দুনা পংহায়দা হায়রকপদগী মমৈদদি ঐসু গোলকিপর শান্নবনা ফগদবা মাল্লে হায়বসি পুক্কিংদা ফাওরকখি। মণিপুর টিমগী গোলকিপর শান্নগদবা প্লেয়র অতৈসু মতমদুদা থোরকখিদে। তৌবগীসু ফিল্ড হেক থোরক্লগদি ঐগীসু ইশাগী ওইনা মচিং অমা লৈজৈ। শান্নমিন্নরিবা ওপোনেন্টনা মখল মখলগী গোল থোমজিল্লকপসি ঐনা হেক ঙমজবা থাক্তা ঙাকথোক্কে অদুম খঞ্জৈ। ঐঙোন্দা য়ৈশিল্লক্লিবা বোলসিনা হেক চঙখ্রবা কোক হায়বা মখোল থোক্লবদি গোল ওইখিগদৌরিবনি হায়বসিদা খনবদা ঐঙোন্দগা য়াম্না হৈনদবা অমা ফাওই। অদুনা বেষ্ট লেভেলদা ত্রাই তৌদুনা গোল ঙাকপা ঙম্নবা হোৎনজগে হায়বসিমদি ঐঙোন্দা ফজনা লৈ।

- মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮১

১। মহাক কনাদাগী শান্নরোয়নি, ওলিম্পিক্কী দবল স্কলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্না ওলিম্পিক অনীদা থংন-থংননা ইরোইবগী থৌরম অমদা মকোক ওইবী নুপী অমগা লুহোংখি। মহাক কনানো?

২। নহাক হেপ্তাথলোনগী মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.১ দা চেনবা ঙল্লবদি নহাক পোইন্ট কয়া ফংগনি।

৩। ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী অথোই অহেন তান্নখিবগী কুমজা অমদা থোমাস মুল্লর, দেভিদ ভিল্লা, ৱেষ্টলে স্নেয়জদর অমসুং ফোরলাননা পাঞ্জল ৫/৫ চনখি। অদুবু থোমাস মুল্লরদা ‘গোল্ডন বুট’ করিগীদমক পীখ্রিবনো ?

৪। মহাক ইংলেন্দদা ডোক্তর ওই, ওলিম্পিক্তা মেদল অমা ফংখি। ন্যুজিলেন্দগী খ্বাইদগী ৱাংবা লৈঙাকপা ওইখি। মহাক কনানো/

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংবো চেলেঞ্জরসতা ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরন অমসুং খাদে দবলসকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

নীংবো, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী) ঃ চাইনাগী সিটি নীংবোদা পাঙথোক্লিবা এ টি পি চেলেঞ্জরস টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস পেয়র প্রজনিস গুনেশ্বরন অমসুং অর্জুন খাদে মখোয়গী মেচ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

গুনেশ্বরন অমসুং খাদেনা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র সকেট মাইনিনি অমসুং সাই রাম বলাজিবু মায়থীবা পীরম্বনি। ইন্দিয়াগী জুরা অনীগী লম্বা অদুদা অহানবা সেট অদু গুনেশ্বরন অমসুং খাদেনা বলাজি অমসুং মাইনেনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা মাইনেনি অমসুং বলাজিনা ফজবা হেনগৎলকপদগী মখোয়না গুনেশ্বরন অমদি খাদেগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শানখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা প্রজনিস গুনেশ্বরন অমদি অর্জুন খাদেনা সুপর টাইব্রেক মশান্না অদুদা পোইন্ট ১০ য়ৌবা হানবা তান্নরকপদা বলাজি অমসুং মাইনেনিনা মখোয়গী পোইন্ট ৭ শুরকপদা খাদে অমদি গুনেশ্বরনগী ১০ য়ৌখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

হয়েং সেমী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী দবলসকী অনীশুবা সীদেদ পেয়র ওইরিবা চাইনাগী এন গোং অমসুং জি ঝাংগা লম্বা তৌনরগনি।

গোং অমসুং ঝাংনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী দাবিদোবিস ফোকিনা অমদি ফ্রান্সকী এফ গ্যাওবু ৬-২, ৬-৩দা থোইরমখি।

অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদদনা নম্বর ৱান সীদেদ ওইরিবা চাইনিজ টাইপৈগী সী পি সৈ অমদি ইন্দোনেসিয়াগী সী রুকাটকা চাইনাগী জেদ লি অমদি সর্বিয়াগী এম কেটমানোভিচ অনীগী পেয়রগা লম্বা তৌনরগনি।

সৈ অমসুং নুংকাটনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী এফ সুন অমদি আর টেবু ৬-৪, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি। লোয়ননা কেটমানোভিচ অমসুং লিনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সীদেদ পেয়র থাইলেন্দগী সো রাটিৱাটনা অমদি চাইনিজ টাইপৈগী ঐচ ৱাই পেংবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫) তা থোইরমখি।

# হিরো আই এস এলদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা চেন্নাইন এফ সিবু ৪-৩দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ১৮(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মেচতা মমাংগী চেম্পিয়ন চেন্নাইন এফ সিবু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব মেচ অনী শান্নখিবদা অমা মায়পাক্লগা অমা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরম্বনি। অমরোমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নাইন এফ সি মেচ অনী শান্নখিবদা মেচ অনীম্মক মায়থীনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা লাকখিবনি। মরম অদুনা চেন্নাইনগী শান্নরোয়শিংনা ঙসিগী মেচ অদু মখোয়গী মরমদমদা শান্নবগা লোয়ননা অহানবা পোইন্ট ফংননবা য়াম্না কন্না ৱাখল শাগৎখি।

টিম অদুগী মঙলান শান্নবগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মখোয়না পুশিনখিবা বোল অমা কোর্নর তাখি। কাউরকখিবা বোল অদু এন ই য়ুনাইটেদকী গোল এরিয়াদা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় রাওলিন বোর্জিসতগী থকচিনদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চেন্নাইনদা এন ই য়ুনাইটেদনা খুদোল ওইনা পীখি। মখাতানা চেন্নাইননা পূশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় ভানমালশ্বামানা ফংদুনা খায়দোরকপদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মতা থোইনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।


পাঞ্জল অনী শোখরবা এন ই য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিং এটেক্ট চখবা হৌরকখি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় বার্থোলোমিয়ু ওগবেচেনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ইকুই কুইদনা চেন্নাইনগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা থোইনা মহাক্কী টিমমেট রাফেল ওগষ্টোনা খায়রকপা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা এন ই য়ুনাইটেদপু মখোয়না পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাফ অয়ু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা হেনগৎলকখি।

এন ই য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা বার্থোলোমিয়ু ওগবেচেনা টিমমেট রাওলিন বোর্জিসনা পীরকপা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোর বোর্দতা চেন্নাইনগী পাঞ্জল ৩ অদুগা এন ই য়ুনাইটেদকী পাঞ্জল ২ লৈখি। ওগবেচেনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখিবা মিনট ২গী মতুং টিমমেট এফ গেলেগোনা পীরকপা বোল অমা অমুক্কা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর ফংদুনা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা টিম অনীম্মক পাঞ্জল ৩-৩দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। মায়কৈ অনীগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল চন্ননবা লাক্লরকখি। মিনট ৯ হৌজিল্লকপদা এন ই য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চেন্নাইনদা পীথোকখিবা রাওলিন বোর্জিসনা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চন্দনা মখোয়না চেন্নাইনবু অহানবা ওইনা মেচ অদুদা ৪-৩দা হেন্দুনা লৈখি।

চেন্নাইনগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩ শিন্দোক্তুনা শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনখিবশিং অরেম্বা তাখি। মেচকী অপীবা মতম লোয়শিল্লকপদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা চেন্নাইনবু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মেচ ৩ লোয়শিনখিবদা পোইন্ট ৭ ফংদুনা মাংজিল থাদুনা চৎলি। হয়েং লিগ অসিগী ১২শুবা মেচতা মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং এফ সি পুনে সিটি শান্নরগনি।

# দেনমার্ক ওপনদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং নুপীগী দবলস টিম মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ওদেন্স, ওক্টোবর ১৮(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সাইনা নেহৱালনা ঙসি দেনমার্কতা পাঙথোক্লিবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী শান্নরোয় অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকি রেদ্দিসু মখোয়গী প্রি-ক্বার্টর মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট সাইনা নেহৱাল মমাংদা অতেনবা মতমগী ওইনা নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বার ৱান ফাওবা ওইবা ঙল্লম্লবনি। অদুবু মহাক্কী মশান্নদা ফজবা হন্থরকপদগী হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ২৭তা লৈরি। ঙসি মহাক্না দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরকপদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না মায়পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অকানে য়ামাগুচিবু সাইনা নেহৱালনা ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৪গী চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মায়পাকখিবা অদুগী মতুং ঙসি মায়পাকখিবা অসিনা অহানবনি। শান্নরোয় অনিনা ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা থেংনখিবা লম্বা ৭তা অকানে য়ামাগুচিনা মেচ ৬ থোইরগা সাইনানা ১ থোইদুনা লাকখিবনি। ঙসিগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদদি সাইনা নেহৱালনা য়াম্না হেনবা মওংদা অকানে য়ামাগুচিবু লাকচবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদুগী হৌরকপদা সাইনা নেহৱাল পোইন্ট ০-৪দা শোথদুনা লৈখি। মদুগী মতুং শান্নরোয় অনী পোইন্ট ১০-১০দা মান্নদুনা লাকখি। সাইনা নেহৱালনা মখাতারকপা থংনবা পোইন্ট ৫ লৌদুনা গেম অদুদা পোইন্ট ১৫-১০দা হেন্দুনা লৈখি। মহাক্কী মশান্না অদু জপানগী শান্নরোয় অদুনা লম্বা পীবা ঙল্লক্তবদগী পোইন্ট ১৯-১২দা হেন্দুনা ফিভম ফজনা শেমদুনা লৈখি।

লেমহৌবা অহানবা গেম অদুদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা পোইন্ট ৫ লৌদুনা ফনা কন্না হোৎনরবসু সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী মায়কৈদগী পোইন্ট ৬ লৌবা ঙমখিবদগী গেম অদু মহাক্না পোইন্ট ২১-১৫দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা গেমদা ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় অকানে য়ামাগুচিনা সাইনা নেহৱালগী মশান্না অদুদা অকনবা প্রেসর পীদুনা মায়পাক্লবা হোৎনরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা মহাক্কী অহানবা গেমদা লৈখিবা টেম্পো অদু অদুম্মক থম্বা ঙমদুনা মায়োক্লবা শান্নরোয় অদুনা হেঞ্জিনহন্দনা শান্নবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা অকানে য়ামাগুচিনা গেম অদু থোইদবা য়াদবনিনা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। শান্নরোয় অনীম্মক পোইন্ট ১৭-১৭তা লৈনখি। জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা মখাতাবা পোইন্ট লৌবা ঙমদনা লৈরিঙৈ নেহৱালনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী মেচ অদু শুপ্নগী মিনট ৩৬তা ২১-১৫, ২১-১৭তা মায়পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর ৩ শান্নরোয় নোজোমি ওকুহারাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকি রেদ্দিনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র লী এস ঐচ অমসুং শিন এস সিগা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরকপদা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লখি। অহানবা গেম অদু টুর্নামেন্ট অসিগী সাউথ কোরিয়াগী ৭শুবা সিদেদ পেয়র অদুনা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুবু পোইন্ট ২১-১৮দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা মখোয়গী মশান্নদা অহেনবা পুরপকপা ঙমদুনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অদুদা প্রেসর য়াম্না কন্না পীরকখি। মায়কৈ অনীমক পোইন্ট ২০-২০দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী ইন্দিয়াগী পোনাপা অমসুং রেদ্দিনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌবা ঙমদুনা গেম অদু পোইন্ট ২২-২০দা থোইদুনা গেম ১-১দা লৈনখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুসু পোইন্ট মুন্নদুনা লাকখিবদগী পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নরকখি। ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা গেম অদুগী মখাতারকপা পোইন্ট ৩ থংন-থংননা লৌবা ঙমখিদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু ইন্দিয়ানা গেম ২-১দা থোইদুনা হয়েং সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বরপ ৱান সিদেদ পেয়র জপানগী ৱাই ফুকুসিমা অমসুং এস হিটোগা লম্বা তৌনরগনি।

# ৩শুবা য়ুথ ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী অর্চর অকাশনা সিলভর মেদল অমা ফংখ্রে



বিনোস আইরেস, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী) ঃ অর্জেন্টিনা য়ূম্থু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং বিনোস আইরেসতা থা অসিগী ৬তগী চথরকপা ৩শুবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি অরোইবা নুমিত্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অর্চরি দিসিপ্লিনগী নুপামচাগী ইন্দিবিজুএল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অকাশ মালিকনা সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী অকাশ মালিকনা নুপামচাগী ইন্দিবিজুএল অর্চরি ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৫শুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। মহাক্না কম্পিটিসন অদুগী সেমী ফাইনেলদা বেলজিয়মগী অর্চর সেনা রুসপু ষ্ট্রেট রাউন্দ ৩দা ২-০, ২-০, ২-০দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্না গোল্ড মেদলগী লম্বা অদুদা য়ূ এস এগী অর্চর ত্রেটোন কাউলসকা লম্বা তৌনখি।

কাউলসনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা য়ুক্রেনগী অর্চর অর্টেম ওবচিনিকোবগা লম্বা তৌনখিবদা মহাকসু য়াম্না কোম্না রাউন্দ অহুম্মক ২-০, ২-০, ২-০দা মায়পাকলকখি। ফাইনেল অদুদা য়ূ এস এগী অর্চর ত্রেটোন কাউলসনা টেঞ্জৈ অহুম কাপখিবা অদুদা পোইন্ট ১০, ৯ অমসুং ৯ ফংখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী অকাশ মালিকনা মহাক্কী তেঞ্জৈ অহুমগী অহানবা অদু পোইন্ট ১০ ফংখি। অদুবু অনীশুবা সোট অদু পোইন্ট ৬ ফংদুনা অশোয়বা লৈখ্রবসু অরোইবা সোট অদুদা পোইন্ট ১০ ফংদুনা অহানবা রাউন্দ লোয়শিল্লকপদা য়ূ এস এগী অর্চর অদুনা পোইন্ট ২৮-২৬তা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা রাউন্দ অদুদা য়ূ এস এগী অর্চর ত্রেটোন কাউলসনা ইন্দিয়াগী অকাশ মালিকপু পোইন্ট ২৯-২৭দা হেন্দুনা রাউন্দ অনী মাংজিল থাদুনা লৈখি। অহুমশুবা রাউন্দ অদুনা ইন্দিয়াগী অকাশনা পোইন্ট ৬ ফংবা সোট অমা কাপখিবা অদুনা ফাইনেল অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু মাংজখিবনি। অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা য়ূ এস এগী ত্রেটোন কাউলসনা পোইন্ট ২৮ কাপখিবদা ইন্দিয়াগী অকাশ মালিকনা পোইন্ট ২৬ ফংখিবদগী ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

অকাশনা অর্চরি ইভেন্ট অদুগী মিক্স টিমদা টর্কিগী সেলিন সাটির দা শরুক য়ামিন্নদুনা শান্নরকপদা নিপানশুবা পোজিসনদা লৈহৌখি। মখোয় অনী ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী আইথিৱাট সোইথোং অমসুং অর্জেন্টনাগী ওগষ্টিনা সোফিয়া জিয়ানাসিওগী মখুত্তা মায়খীহৌদুনা নিপানশুবা তাখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী অকাশ মালিকনা অর্চরিদা সিলভর মেদল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক টিম অসিনা পূম্না গোল্ড ৩, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ অমা ফংলগা পূম্না মেদল ১৩ ফংলগা মেদল টেলিদা ১৬শুবা পোজিসন তাখি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়না মমাংগী য়ুথ ওলিম্পিক গেমস অনী শরুক য়ারকখিবদা হন্দক লৈখিবা পর্ফোমেন্স অসিনা খ্বায়দগী ফজবা ওইরি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৪দা চাইনানা য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২শুবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমস অদুদা সিলভর মেদল অমগা ব্রোঞ্জল মেদল অমগা ফংলগা পূম্না মেদল ২খক ফংলকখি। হায়রিবা পর্ফোমেন্স অদু য়েংলুরবদি হন্দক্কী পর্ফোমেন্স অসিনা য়াম্না হেন্না ফজবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড ফংখিবা এথলিটশিং অদুদি- গোল্ড মেদলদা জেরিমি লালরিনুংঙা (ৱেথলিপ্টিং), মনুং ভাকর (শুটিং) অমসুং সৌরব চৌধুরি (শুটিং)নি। সিলভর মেদল ফংখিবশিং অদুদি- টবাবি (জুদো), টুসার মানে (শুটিং), মেহুলি ঘোস (শুটিং), লক্ষ্য সেন (বেদমিন্টন), সিমরন (রেষ্টলিং), সুরজ পনৱর (এথলেটিক্স), অকাশ মালিক (অর্চরি) লোয়ননা নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি টিমনি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল অমা অদুনা এথলেটিক্সকী প্রবিন চিত্রভলনি। য়ুথ ওলিম্পিক গেমস অসিগী ৪শুবা এদিসন অদু কুমজা ২০২২দা অফ্রিকাদা অহানবা ওইনা সেনিগালনা য়ূম্থু ওইরদা লৈবাক অদুগী সিটি দাকরদা পাঙথোক্লগনি।

# চহী ১৯ মখাগী নুপীগী টি-২০ লীগতা মণিপুর ত্রিপুরাগী মখূৎতা রন ৭৫দা মায়থীবা নংখ্রে




কটক, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী) ঃ ওরিষাগী সিটি কটক্তা চথরিবা চহী ১৯ মখাগী নুপীগী টি-২০ লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মণিপুরগী টিম্নু ত্রিপুরানা রন ৭৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

কটক্তা লৈবা নিম্পুর ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা টি-২০ লীগ মেচ অদুগী টোস ত্রিপুরানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ৱিকেট অহুম তুরগা ওভর ২০দা পূম্না রন ১১৪ লৌবা ঙমখি।

ত্রিপুরাগী ওপনর অন্তারাদাস অমসুং অম্বিকা দেবনাথনা য়াম্না ফজবা অহানবা ৱিকেট পার্টনরসিপ অদু শেমগৎলকখি। মখোয় অনীনা ওভর অমদা রন ৬কী চাংদা লৌদুনা ওভর ১০ ফাওবা শান্নমিন্নদুনা মণিপুরগী মায়কৈদগী লংলকখিবা বোলিং এটেক অদুবু নীংথিনা লম্বা পীখি।

শান্নবগী ১১শুবা ওভরকী অনীশুবা বোলদা ওপনর অম্বিকা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৩৪দা মণিপুরগী বোলর প্রিয়াঙ্কানা আউট তাহনখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা ফোর ৬ য়ৈরমখি। অপূনবা রন ৬০গী মখা তানা নৌনা চঙলকখিবা পুজা দাস অমসুং অন্টরানা হোৎনরকখিবদা ১২শুবা ওভরকী অরোইবা বোলদা অন্টরা মশাগী রন ১৯ দা রন আউট ওইদুনা টিম অদুগী অনীশুবা ৱিকেট ওইখি।

পুজা দাস অমসুং পুজা পোলনা ইন্নিংস অদু মখা চত্থরকখি। মখোয় অনীনা ত্রিপুরাগী অপূনবা স্কোর অদু ৯৬ শুরকপা মতমদা পুজা দাস মশাগী রন ২২শুরকপদা মণিপুরগী ধরানিনা আউট তাহনখি। গঙ্গাটি অমসুং পোলনা ওভর ২৩ ফাওবা শান্নদুনা টিম অদুগী স্কোর ১১৪ ফাওবা য়ৌহল্লমখি।

মায় পাক্লনবা রন ১১৫ লৌনবা হোৎনরকপদা মণিপুরগী বেটসমেনশিং অদু ওভর ২০ শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৮ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৩৯ খক লৌখিবদগী মেচ অদু মখোয় ত্রিপুরাগী মখূৎতা রন ৭৫দা মায়থীবা নংখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী থোকচোম রোনিবলানা বোল ২৪দা রন ১১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন হায়বদু ওইখি। অতোপ্পা শান্নরোয় অমত্তা মশাগী রন ৬ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবা ঙাক্তনি। থা অসিগী ২০দা মণিপুরনা মঙাশুবা রাউন্দদা মহারাষ্ট্রগা লম্বা তৌনরগনি।